# অফঘান সিটিশিংগী মনুংদা টালিবাননসু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নবা পামদে



কাবুল, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
অফঘানগী মরু ওইবা সিটিশিংগী মনুংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা টালিবাননা কৈদৌনুংদা খূৎ থোক্নবা পামদে হায়না লালহৌলূপ অসিগী ৱাঙাঙলোয় অমির খান মুতাকিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টর্কিনা লৈবাক অদুদা মখোয়গী ক্রুপশিং হৌজিক ফাওবা লৌথোক্তুনা থল্লিবা অদুগী মতাংদসু ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানগী মফম অয়াম্বা টালিবান ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রে। অফঘানিষ্টানগী শরুক খরা খক্তমক অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা প্রোভিন্সিয়েলশিং অসিদা এয়রসপোর্ট অমদি অহেনবা ক্রুপ কয়া দিপ্লোয় তৌরকপনা মরম ওইরগা টালিবাননা মখোয়বু মায়থিবা পীবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নরি।

অদুমওইনমক টালিবান ফাইটরশিংগী এটেকতা খাঙবা ঙমদবদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্স কয়া খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে। টালিবান ফাইটরশিংগা হান্না লৈবাক অদুগী চীং অমসুং লৈকংলাগী শরুক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লান্থেংনরম্বা অদু হৌজিক্তিগ অচৌ অচৌবা সিটিশিংগী মনাক য়ৌশিনবা ঙমখ্রে। সিটিশিং অসিদা টালিবান ফোর্সনা কা হেনবা মখলগী এটেকশিং চথবা পামদে।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ৱাখল মুন্না খন্থদুনা টালিবান ফাইটরশিংদা খূৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরক্লবদি কা হেন্না অমাং অতা থোকহনবদগী কনবা ঙমগনি। টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানগী মরু ওইবা শরুক অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌখ্রবসু টর্কিনা মখোয়গী ক্রুপশিং কাবুল এয়রপোর্টতা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা অসি লাইবকথিবনি। য়ু এসনা লুচিংবা ক্রুপশিংনা কাবুল থাদোক্তুনা চৎনখ্রবা ফাওবদা টর্কি ফোর্সশিংনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি।

অফঘানদা ফোরেন ক্রুপশিংনা তৌনিংবা তৌদুনা লৈবা য়ারোই। অফঘান মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্লি। মরম অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্ন বা হোৎনবনা অফবা খোঙথাংনি হায়দুনা য়ু এসনা লুচিংবা ক্রুপশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সের বহাদুরনা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর অমুক ওইখ্রে

কাথমান্দু, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
নেপালদা মরিরক থংনা থংননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখ্রবা নেপালগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সের বহারদুর দুবা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা অমুক হন্না এপোইন্ট তৌখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৭৬(৫) কী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট বিদ্য দেবী ভান্দারিনা সের বহাদুর লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি। মশাগী চহী ৭৪ রোম শুরবা সের বহারদুর হন্দক্কী টার্ম অসি থারগা ৫ রক শুবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মীওই ওইরি।

মহাকপু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা প্রসিদেন্টনা এপোইন্ট তৌখ্রবসু কৈদৌঙৈ ৱাশক লৌবগী থবক পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি সের বহাদুর কুমজা ১৯৯৫ গী সেপ্তেম্বর থাদগী ১৯৯৭ কী মার্চথা ফাওবা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০১ গী জুলাই থাদগী ২০০২ গী ওক্তোবর থা ফাওবা, কুমজা ২০০৪ গী জুনদগী ২০০৫ গী ফেব্রুৱারী থা ফাওবা অমদি কুমজা ২০১৭ কী জুন থাদগী ২০১৮ গী ফেব্রুৱারী থা ফাওবা মরিরক প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি।

# ইরাকতা কোভিদ ৱার্দ মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৬৪ শিখ্রে



নাসিরিয়া, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
ইরাকতা লৈবা কোভি-১৯ আইসোলেসন ৱার্দ অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ৬৪ শিহনখিবগা লোয়ননা ইরাক সিটিদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাউশিং লাউখিবগা লোয়ননা মথৌ চেকশিন্না তৌদবা ওফিসরশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

সেন্তর অদুদা লৈবা ওক্সিজেন কেনিষ্টরশিং পোকখায়রকপদগী মৈ অদু পাক শন্না চাক্লকখিবনি। মৈনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা অল-হুসেন হোস্পিটাল কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংলিবনি। হোস্পিটাল অদুদা খঙহৌদনা থোরকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা শিখ্রবা মীওই ৬৪ গী মনুংদা ৩৯ দি মশক খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়েল ফোরেনসিক সাইন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মেদিকেল টিম অমসুং ভিক্তিমগী মরী মতাশিংনা মৈনা চাকখ্রবা হকচাংশিং অদু মশক খঙদোক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৬৪ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু মখা তানা অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই ১০০ রোম হেন্না অশোক অপন নংখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং খোইশাওনরবা মীওইশিংনা হোস্পিটাল অদুগী অকোয়বদা থোমজিল্লকখিবগা লোয়ননা লাইবকথিবা থৌদোক অদু প্রোভিন্সিয়েল ওথোরিটিশিংনা চেকশিন্দবদগী থোকখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

অমরোমদা নহা ওইরিবা প্রোটেষ্টর কয়ানা নসিরিয়াদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাশিং থোঙ থিংজিনখ্রে। গভর্ণমেন্টনা নৌনা শাখিবা সিটি অদুগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা পব্লিক হোস্পিটালশিং অদু অথুবা মতমদা হাংদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অদু থিংজিনখিবনি হায়রি।

# কোভিদ ভেক্সিন শুংশোই শোয়দনা কাপথোক্কদবনি হায়বগী ৱাফম লৈতে: এঞ্জেলা মার্কেল

বর্লিন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
জর্মনিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন শুংশোই শোইদনা কাপথোক্কদবনি হায়বা অকক্নবা রুল অমত্তা লৈত্রি হায়না চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলনা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা নম্ফুদা ভেক্সিন কাপথোক্নবা কৈদৌনুংদা প্রেসর তৌরোই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্নবগীদমক লৈবাক অদুদা তোঙান তোঙানবা মখলগী এৱার্নেস পাঙথোক্লি। মীয়াম্না এৱার্নেসশিং অদুগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা তরাম্না ওকই। অদুমওইনমক ভেক্সিন অসি শুংশোই শোইদনা কাপ্তুবা য়াদে হায়বা অকক্নবা নীয়মদি লৈতে অমদি অসিগুম্বা মখলগী প্রেসরশিং মীয়ামদা কৈদৌনুংদা পীরোই। জর্মনিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী চাদা ৪২.৬ তি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকখ্রে। অদুবু হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী চাং হন্থরক্লি।

# ঈরাং লাকশিন্নবগীদমক সাউথ অফ্রিকানা আর্মী দিপ্লোয় তৌখ্রে



কেপ টাউন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোকোব জুমাবু থা ১৫ জেলগী ফাদোক পীখ্রবা মতুং জেলদা থাজিনখিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্সশিংদা জুমাবু শৌগৎপা মীওইশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লুট তৌবগী থবকশিং পাক শন্না চথুরকপগী থৌওং অদুবু থিংনবগীদমক সাউথ অফ্রিকানা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা প্রোভিন্স অনীদা মিলিটরিশিং দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অমদি পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখ্রে অদুগা ২০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মীয়াম্না প্রসিদেন্ট ফাজিনখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদগী হেন্দোক্তুনা দুকানশিং ফক্তুনা লুট তৌবা হৌরকপদগী তঙাইফদনা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক লৈবাক অদুগী ইকনমিগী হব ওইরিবা জোহন্সবর্গ য়াওনা প্রোভিন্সশিংদা আর্মী দিপ্লোয় তৌখিবনি।

সাউথ অফ্রিকান নেসনল দিফেন্স ফোর্সনা লৈবাক অদুগী পুলিসশিংনা খোঙজংলোয়শিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অদু মতেং পাংনবগীদমক গাওতেং অমসুং ক্বাজ লুনটাল প্রোভিন্সতা মিলিটরি দিপ্লোয় তৌনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্না লোগী মায়োক্তা থবক চথুরক্লবদি লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং চপ চানা লৌখৎকনি হায়রি।

# মিলিটরিনা ওকুপাইদ তৌরম্বা মফম রেবেলশিংনা অমুক লৌশিনখ্রে

টিগ্রে, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টিগ্রেদা হান্না ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরম্বা মফম অমা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকী ফাইটরশিংনা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমখ্রে হায়না রেবেল গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা টিগ্রেপুম্বা মখোয়গী কন্ট্রোল মখাদা অমুক হন্না থম্নবা হোৎনখিগনি হায়রি।

হৌখিবা থা ৮ লোম অসিদা ইথিয়োপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা টিগ্রেনা গভর্ণমেন্ট ফোর্স দিপ্লোয় তৌদুনা টি পি এল এফ মফম অদুদগী তকথোকখিবনি। ইরিট্রিন ফোর্সশিংনসু ইথিয়োপিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সতা অচৌবা মতেং পীদুনা লাকখি। টি পি এল এফ অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্স অনীগী মরক্তা কা হেন্না মুক্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্বা মীওই মিল্লিয়ন কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। অদুগা লীশিং কয়া অমনা শিহনখ্রে। টি পি এল এফনা অমুক হন্না অকনবা মওংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেক চথবা হৌখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী টিগ্রে রিজনদা সিজ ফায়র লৈহন্নবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# মীয়ামগী লুচিংবী সু চিগী মথক্তা অনৌবা করপসনগা মরী লৈনবা কেস ৪ চার্জ তৌখ্রে



নেপিদো, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মার মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুং মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মখলগী চার্জশিং তৌরি। মদুগী মথক্তা ঙসিসু লুচিংবী অসিগী মায়োক্তা করপসনগা মরী লৈনবা অনৌবা কেস ৪ চার্জ তৌরকখ্রে হায়না লুচিংবী অসিগী লোয়রনা ফোঙদোরক্লি।

সু চিগী লোয়র মিন মিন সোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সু চিদা নৌনা চার্জ তৌরক্লিবা অসি মরম চাদে। হান্না লৈরিবা কেসশিং অদুদা হিয়ারিং অমত্তা হৌজিক ফাওবা চথবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা অনৌবা কেসশিং চার্জ তৌরকখিবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা লুচিংবী অসিবু নম্ফুন্দা মরাল শীনবা হোৎনবনি।

মশাগী চহী ৭৬ লোম শুরবী নুপী লুচিংবী অসিগী মথক্তা নৌনা ফ্রেম তৌরকখিবা চার্জশিং অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটি অহুমদা হিয়ারিং চথগনি। পনবা য়াবদি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না লুচিংবী অসিবু থাদোক্লবা অমদি মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হন্না লাকহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিল্লি।

# মালেসিয়াদা ৱার্করশিং পোজিটিভ ওইরকপদগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্তর অমা থিংজিনখ্রে

কোলালাম্পুর, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
মালেসিয়াদা লৈরিবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনেসন সেন্তর অমদা থবক তৌবা ৱার্কর ২০০ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী খুদক্তা সেন্তর অদু থিংজিনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সাউথ এসিয়ন নেসনশিংগী ওইনা কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মালেসিয়াসু অমা ওইরি। মমাং থাদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা লোকদাউন থমজিনখিবনি। লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমুক হন্না শনে দারক্লিবা অদু থিংনবগী পান্দমদা লোকদাউন থমজিনখিবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবক খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপা হৌরকখিবনি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী চাদা ২৫ দি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে। অদুগা ১১ না মপুং ফানা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিনশিং কাপথোকখ্রে। অদুমওইনমক লৈবাক অদুগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী অচৌবা থবক তৌরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্তর অমদা থবক তৌবা মীওই ২০৪ পোজিটিভ ওইরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা ভেক্সিনেসন সেন্তর অদু থিংজিনখ্রে। সেন্তর অদুদা পুন্না মীওই ৪৫৩ থবক তৌবগী মনুংদা ২০৪ পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়না মিনিষ্টর ইন চার্জ খাইরি জমালুদ্দিননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ৱার্করশিং টেষ্ট তৌবগী থবক চথুরি হায়রি।

# ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়া পুন্না থবক তৌমিন্নগনি



মোস্কো, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
য়ু এস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা অফবা মরী লৈত্রবসু হৌজিক হৌজিক মালেমগী ওইনা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরক্লিবা ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক য়ানবগী মতাংদা লৈবাক অনী অসিনা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস ক্লাইমেট এনভোই জো কেরিনা মোস্কোদা থুংলবা মতুং ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী ফোরেন মিনষ্টর সর্গৈ লাফরোভকা উন্নদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। লৈবাক অনী অসিনা মতম কয়াগী মমাংদগী কেমিকেল ৱেপন অমদি ন্যুক্লিয়র ৱেপনগী মতাংদা ৱারী কয়া শান্নদুনা লাক্লি।

অদুমওইনমক ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদদি লৈবাক অনী অসিনা মমাং মতমদা ৱারী শান্নখিবা লৈত্রি। অদুমওইনমক মালেমগী লৈবাক কয়াদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা চৈথেং কয়া পীরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক লৈবাক অনীনা হীরম অসিগী মতাংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা অমত্তা ওইনা য়ানখিবনি।

রসিয়াগী মায়কৈদগীসু য়ু এসকা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা থবক তৌমিন্ননিংবগী অপাম্বা লৈ হায়না লাফরোভনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চৈথেং অসিবু মতাং চানা ঙাকথোকহৌদ্রবদি তুংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবা য়ানা লৈ। য়ু এস অমসুং রসিয়া খক্তা নত্তনা মালেমদা লৈরিবা ৱর্ল্ড পৱারশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা থবক পায়খৎমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না ক্লাইমেট এনভোয় কেরিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী ওইনা রসিয়া অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী কার্বোন ইমিট তৌবা মরিশুবা লৈবাক অমা ওইরি। ৱর্ল্ড পৱারশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী হীরম অসিবু য়াম্না লূম্না লৌরবদি য়াম্না লায়না অহোংবা অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। মমাং মতমদা য়ানখিবশিং লৈবাক লৈবাকশিংনা থবক ওইনা ওন্থোকখিদবা অমদি মশা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌনখিবনা মরম ওইরগা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 188,057,261 | +391,950 | 4,055,642 | +6,443 | 171,991,061 | 12,010,558 |
| 1 | USA | 34,766,404 | +14,715 | 623,029 | +129 | 29,274,349 | 4,869,026 |
| 2 | India | 30,904,734 | +30,827 | 409,338 | +546 | 30,056,130 | 439,266 |
| 3 | Brazil | 19,106,971 | +17,031 | 534,311 | +765 | 17,666,654 | 906,006 |
| 4 | France | 5,813,899 | +1,260 | 111,353 | +28 | 5,648,677 | 53,869 |
| 5 | Russia | 5,808,473 | +25,140 | 143,712 | +710 | 5,216,648 | 448,113 |
| 6 | Turkey | 5,486,959 | +5,404 | 50,278 | +49 | 5,354,850 | 81,831 |
| 7 | UK | 5,155,243 | +34,471 | 128,431 | +6 | 4,362,858 | 663,954 |
| 8 | Argentina | 4,662,937 | +14,989 | 99,255 | +474 | 4,300,823 | 262,859 |
| 9 | Colombia | 4,530,610 | +18,650 | 113,335 | +509 | 4,276,465 | 140,810 |
| 10 | Italy | 4,272,163 | +888 | 127,788 | +13 | 4,103,949 | 40,426 |
| 11 | Spain | 3,971,124 | +11,310 | 81,020 | +5 | 3,648,438 | 241,666 |
| 12 | Germany | 3,744,267 | +554 | 91,774 | +7 | 3,635,100 | 17,393 |
| 13 | Iran | 3,394,279 | +20,829 | 86,041 | +182 | 3,041,541 | 266,697 |
| 14 | Poland | 2,880,863 | +42 | 75,160 | | 2,652,577 | 153,126 |
| 15 | Mexico | 2,590,500 | +3,779 | 234,969 | +62 | 2,041,418 | 314,113 |
| 16 | Indonesia | 2,567,630 | +40,427 | 67,355 | +891 | 2,119,478 | 380,797 |
| 17 | Ukraine | 2,241,217 | +174 | 52,604 | +7 | 2,177,529 | 11,084 |
| 18 | South Africa | 2,206,781 | +11,182 | 64,509 | +220 | 1,943,513 | 198,759 |
| 19 | Peru | 2,081,557 | +780 | 194,488 | +101 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,736,879 | +8,441 | 17,766 | +1 | 1,653,938 | 65,175 |
| 21 | Czechia | 1,669,506 | +148 | 30,333 | +1 | 1,637,245 | 1,928 |
| 22 | Chile | 1,589,623 | +2,145 | 33,980 | +103 | 1,537,815 | 17,828 |
| 23 | Philippines | 1,478,056 | +5,199 | 26,015 | +100 | 1,402,794 | 49,247 |
| 24 | Iraq | 1,438,511 | +9,149 | 17,592 | +44 | 1,313,552 | 107,367 |
| 25 | Canada | 1,421,108 | +577 | 26,438 | +2 | 1,389,518 | 5,152 |
| 26 | Belgium | 1,096,134 | +1,086 | 25,204 | +3 | 1,048,162 | 22,768 |
| 27 | Sweden | 1,092,540 | | 14,604 | | 1,069,824 | 8,112 |
| 28 | Romania | 1,081,275 | +39 | 34,229 | +2 | 1,045,390 | 1,656 |
| 29 | Bangladesh | 1,034,957 | +13,768 | 16,639 | +220 | 881,521 | 136,797 |
| 30 | Pakistan | 975,092 | +1,808 | 22,597 | +15 | 913,873 | 38,622 |
| 31 | Portugal | 909,756 | +1,782 | 17,164 | +8 | 846,544 | 46,048 |
| 32 | Israel | 846,327 | +193 | 6,438 | | 835,792 | 4,097 |
| 33 | Malaysia | 844,870 | +8,574 | 6,260 | +102 | 747,338 | 91,272 |
| 34 | Japan | 820,775 | +2,092 | 14,955 | +7 | 786,581 | 19,239 |
| 35 | Hungary | 808,539 | +102 | 30,007 | +3 | 741,509 | 37,023 |
| 36 | Jordan | 757,690 | +767 | 9,843 | +7 | 740,546 | 7,301 |
| 37 | Serbia | 717,667 | +118 | 7,073 | +1 | 708,944 | 1,650 |
| 38 | Switzerland | 705,765 | +822 | 10,900 | +2 | 689,157 | 5,708 |
| 39 | Nepal | 657,139 | +1,690 | 9,400 | +18 | 621,027 | 26,712 |
| 40 | Austria | 651,804 | +192 | 10,723 | | 638,965 | 2,116 |
| 41 | UAE | 651,762 | +1,542 | 1,870 | +4 | 629,809 | 20,083 |
| 42 | Lebanon | 547,961 | +150 | 7,877 | +2 | 534,646 | 5,438 |
| 43 | Morocco | 543,119 | +657 | 9,384 | +15 | 525,286 | 8,449 |
| 44 | Saudi Arabia | 502,439 | +1,244 | 7,992 | +16 | 483,937 | 10,510 |
| 45 | Tunisia | 501,923 | +4,310 | 16,494 | +106 | 400,378 | 85,051 |
| 46 | Ecuador | 468,414 | +68 | 21,830 | | 437,167 | 9,417 |
| 47 | Kazakhstan | 458,724 | +3,899 | 4,716 | +35 | 413,498 | 40,510 |
| 48 | Bolivia | 454,241 | +646 | 17,219 | +19 | 380,500 | 56,522 |
| 49 | Greece | 440,872 | +2,063 | 12,778 | +10 | 409,688 | 18,406 |
| 50 | Paraguay | 438,764 | +1,045 | 13,964 | +46 | 394,920 | 29,880 |

# মালালাগী ফোটো য়াওবা স্কুল লাইরিকশিং থিংজিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা ঙসি স্কুল লাইরিকশিংদা মরু ওইবা মীওইশিংগী মরক্তা মলালাগী ফোটো য়াওবা থেংনখ্রবা মতুং পাকিষ্টান ওফিসলশিংনা লাইরিকশিং অদু থিংজিনখ্রে হায়রি।

নোবেল প্রাইজ ফংখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইরিবী মালালা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মশাগী চহী ২৪ মপুং ফাখিবনি। মালালা মালেমদা মরু ওইনা পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা খাইবর পাকথুনখ্বা প্রোভিন্সতা নুপীশিংবু মহৈ তমহনগদবনি হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবী চহী নৌরিবী অমদি লোকেল টেহরিক-আই-টালিবান পাকিষ্টাননা ৱাফম অদুদা নুপীশিংনা স্কুলদা লাইরিক তম্বা চৎপদা অথিংবা থমখিবা অদুগী মায়োক্তা মালালা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা ফোঙখিবা ক্লাস সভেনগী মহৈরোয়শিংনা তম্নবা লাইরিক্তা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা মালালাগী ফোটো য়াওরম্বা অদুবু পাকিষ্টান ওফিসলশিংনা কন্দেম তৌরক্লি।